# আইএলপিগী মতাংদা এমঐচএগী মত হংখ্রে শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেল্লিবা কেবি শর্ম্মা ফাজিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ৭ঃ* হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা লমদমসিদা মীতোপ মীয়ানচা লেপ্তুনা হায়জিল্লক্লিবসি থিংনবা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবগী বিল পাস তৌগদবনি হায়না নাকল কয়াদগী চংশিল্লক্লিবা ঈহৌ অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর সরকারগী কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে। লোয়ননা সিষ্টেম অসি মণিপুরদা চৎনহনবগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মত হংখ্রে হায়না প্রেসনা ফংবা পাউগী সোর্স অমনা হায়রি।

পাউগী সোর্স অসিনা মখা তানা হায়রিবদি, ঙসি নুংথিল চিফ মিনিষ্টরগী ওফিস সেক্রেটেরিয়েটতা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীন চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম অদুনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবদা মণিপুরদা করি অকায়বা ওইরকপা য়াবগে হায়বা য়াওনা সিষ্টেম অসি মণিপুরদা থম্বা অমসুং থমদবগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মপুং ওইনা ইন্দিয়াগী করম করম্বা ষ্টেটশিংদা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনবগে, চৎনরিবা ষ্টেটশিং অদুদা করি অকায়বা লৈবগে অমদি ষ্টেটসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমসিগী মতাংদসু য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা সিষ্টেম অসি থম্বা থমদবগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মত লৌবা হায়না ৱারেপ লৌদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সতা হিরমসিগা মরী লৈননা করি লৈবগে হায়বদু হংখ্রে। লোয়ননা হোম মিনিষ্ট্রিদগী মসিগী পাউখুম লাক্লবা মতুং থা অসিগী ১১ দা অমুক হন্না কেবিনেট মীফম ফমদুনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবা নত্রগা চৎনহন্দবগী মতাংদা ৱা খন্নগনি হায়রি।

মরকসিদা মহৈরোই লুপশিংনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিটনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মহৈরোইশিংনা পাক্তক্লনা ধরনা চত্থখ্রে। মসিগা লোয়ননা আইএলপি মণিপুরদা চৎনহনগদবনি হায়না ফ্রেন্দসকী এদভাইজর কেবি শর্ম্মনা শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চংশ্লিকখিবা ঙসিগা থানা নুমিৎ নিনি শুখ্রে।

আইএলপি চৎনহনগদবনি হায়না ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ধরনা চত্থখিবা স্কুলশিং অদুদি, দিনেশ্বরি হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ব্লেস একাদেমি, আইটিআই তাকয়েল ,নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোংবা হায়স্কুল, ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ব্রিলিয়ন্ট ইংলিস স্কুলনচিংবনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ইন্টরনেসনেল মোর্দনাইজ একাদেমি অমদি অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পিছ এন্দ ফ্রিদম একাদেমি, বেষ্ট একাদেমি, রুদ্রা একাদেমি, ফেন্সিয়র অভিরাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, পেরাদাইজ ইংলিস স্কুল, ভিজন ক্রিয়েটিভ স্কুল ওফ সাইন্স অমসুং জেনিথ একাদেমিনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মোইরাং মল্টি পর্পজ হায়র সেকেন্দরি অমসুং ব্রাইটর ইংলিস একাদেমি মোইরাংনি। ধরনাশিং অদুদা হৌজিক চত্থরিবা এসেমব্লি মীফম অসিনা লমদমসিদা আইএলপি চৎনহন্নবা বিল পাস তৌগদবনি হায়না থাবা প্লে কার্দশিং থেৎখি।

ফ্রেন্দস য়াওনা কংলৈ ৱুমেন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন, সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন থৌবাল মেলা মমাং লৈকাই, লৈমা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ থৌবাল কৈরাম্বী, ৱুমেন ৱেলফেয়ার ফোরম থৌবাল, দিভলপমেন্ট কম্মিটি থৌবাল অমসুং পিপলস ৱেলফেয়র ফোরম থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি থৌবাল বজারদা আইএলপি দিমান্দগা মরী লৈননা ধরনা চত্থখ্রে।

ধরনা অদুদা শরুক য়াখিবা ফ্রেন্দসকী জেনরেল সেক্রেটেরিসু ওইরিবা জোইন্ট কম্মিটিগী কো-কনভেনর জয় চিংঙাখমনা হায়খিবদা, মণিপুরদা আইএলপি চৎনহনগদবনি হায়না ভারত সরকার অমসুং মণিপুর সরকারদা কয়ারক হন্না মেমোরেন্দম পীশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রি। য়েলহৌমীশিং ঙসিদগী চহি ১০গী মতুংদগীদি মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। লমদম অসিদা খুন্দারিবা মৈতৈগী মশিংদগী মীতোপ মীয়ানচাগী মশিং হেল্লে হায়বসি ২০০১গী সেন্সস রিপোর্টনা লেংদ্রবা প্রমাননি।

আইএলপি চৎনহনসি হায়রগা হেক্তা মীতোপ মীয়ানচাশিং লমদমসিদগী তানখিসি হায়বা নত্তে। করিগুম্বা মীতোপশিং অসিনা ইনি দজিনস পিপলসশিংদগী মশিং হেনখ্রবদি মখোয়গী খুৎতা শুকশোয় শোয়দনা তাখ্রগনি। ঐখোয়গী মাংখ্রবা নাৎ অমসুং তুংদা থোরক্কদবা মাংজবা কয়াদগী কন্নবগীদমক লমদমসিদা আইএলপি চৎনহনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবনি হায়খি। ঙসিগী ধরনা অদুদা কংলৈ ৱুমেন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট মেমচা, লাইফ ৱাটচ মণিপুরগী চিফ এদমিনিষ্ট্রেটর অঙোমচা অরাবসু ৱা ঙাংখি। অমরোমদা ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং আইএলপি দিমান্দগা মরী লৈননা শিদ্রিবা ফাওবা চারা হেনবগী খোঙজং চংশিল্লিবা ফ্রেন্দসকী এদভাইজর কেবি শর্ম্মগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী চিফ মিনিষ্টরগী এদভাইস মতুংইন্না পুলিসনা ফাগৎলগা জেনিমসতা পুখ্রে।